ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



থৱায় মিরেল ৱিমেন ৱিংগী কনভিনর টি ঐচ সুজেতা অমসুং সনাহনবীনা লুচিংবা মীহুৎ তরানা গভর্ণর উনদুনা ফৌগাকচাও ইখাইদা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা চৎতুনা য়েংশিনবীনবা হায়জখিবা

ঐখোয়গী হকচাং অমদি পুক্নিং ৱাখলগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা...
☛ লামায় ২

ঐখোয়বু কনবীগনি থাজরুবা লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা কনবীদ্রে
লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

৩৭শুবা নেসনল গেমসতা শরুক য়াগদবা সাইক্লিষ্টশিংগী মমিং...
☛ লামায় ১০

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী চহী ২৫ শুরকপা লুপা ফুদোংবা থৌরম হৌদোকপদা হান্নগী প্রসিদেন্ট এন জি মিলননা মৈরা চুখৎপা (লমায় ৬)



Vol. 47, Issue No. 200 | থাংজ, লাংবনগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, October 14, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# হেমঞ্জিৎ অমসুং লিন্থোইঙম্বী হাৎপদা চেন্নবা কুকি নহা অমসু সী বি আইগী লাংদা থুরে





## মীহাৎ অসিগী 'মাষ্টরমাইন্দ' নি চিংনবা পাওলুনমাংসু সী বি আইনা পুনেদগী ফারগা কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস) :** কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা অকনবা লান শোক্লন্দুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা থেংন-থেংনবা মীতৈশিংবু ফারগা হাৎলবা মতুংদা ফুমজিনবগী থবক কন্না চথরক্লিঙৈগী চৈরক জুলাই ৬কী অয়ূক্তা ময়ুম-ময়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদ্রবা ফিজম হেমঞ্জিৎ (২০) অমসুং লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বী হিজম (১৭) বু মীনুংশি য়াওদনা হাৎলগা ফুমজিনখ্রে হায়বগী মায়োক্তা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না লৌখৎপা কেসকী ইনভেষ্টিগেসন চথুরকপদা থা অসিগী ১দা মীহাৎ অসিদা চেন্নবনি হায়বা কুকি নুপা অনী অমসুং নুপী অনী ফাখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসিগী মাষ্টরমাইন্দনি চিংনবা কুকি নহা অমসু সী বি আইগী লাংদা থুংরে হায়রি।...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### পোলিটিকেল পার্টি ১০না গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

# 'লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা ষ্টেট ১সুং সেন্ত্রেল মেছিনরিশিং ফেল ওইবদগী মাঙখ্রবা লৈঙাক্কী অহোবা মেনশিন্নবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লক্লে'

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস) :**

মে ৩দগী চথরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান অসি ঙসি নুমিৎ ১৬৪নি শুজিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খামজিন্নবা হোৎনদবগী মথক্তা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙম্লক্তবদগী কোংগ্রেস য়াওনা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী লুচিংবশিং অমসুং মীহুৎশিংনা ঙসি গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী মেছিনরিশিংনা হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা শাথীরবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ঙাকপা ঙমদবদগী সেক্সন কয়াগী মীয়াম্না মাঙখ্রবা লৈঙাক্কী অহোবা মেনশিন্নবা লোকেল সিভিল সোসাইটিশিং শেম্নরকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মখলগী খোঙজংশিং চঙশিন্নরক্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পোলিটিকেল পার্টি ১০ এ এ পি, এ আই এফ বি, এ আই টি সী, সী পি আই, সী পি আই (এম), কোংগ্রেস, জে দি-য়ু, এন সী পি, আর এস পি অমসুং সিব সেনা (য়ু বি টি) গী লুচিংবশিং অমসুং মীহুৎশিং পূল্লবা মতুংদা রাজ ভবন তম্না মখোয় মখোয়গী পার্টিগী ফিরালশিং পায়রদুনা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকখিবনি।

অদুম ওইনমক মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকখিবশিং অদুগী মনুংদগী পোলিটিকেল পার্টি অমগী থৌমী অমদা পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর অমনা খূৎপাক্লা থানবা হোৎনরুই হায়বগী ৱাহৌদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মুক্নবা থোকখি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস লুচিংবা আই হেমোচন্দ্র অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র য়াওনা পুলিস ওফিসরশিংগা ৱারী শানবদগী নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা



## পার্টি ১০গী লুচিংবা অমসুং মীহুৎশিংনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপদা পুলিসনা খূৎপাক্লা থানবা হোৎনরুই হায়বদগী শংকৎনখ্রে

পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মীহুৎ ১৫ চঙদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখি। অদুবু তাঞ্জা অদুদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে লৈরমদবদগী মহাক্কী অন্দর সেক্রেটরি অমদা খুৎশিন্নরমখি।

পূন্না চেনা ৩ পানবা মেমোরেন্দম অদুনা গভর্ণরদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটশিং ওইরিবা ফ্রীদম ওফ স্পিচ, ফ্রিদম ওফ এসেমব্লি কন্সত্রক্টিভ ক্রিটিসিজম্নচিংবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা অথিংবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### থৱায় মিরেলগী ৱিমেন ৱিংনা গভর্ণরদা হায়

# 'হায়রি, তৌরি হায়বনা য়াররোই, নুপী লাল থোরক্লগনি'

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী তমথীরবা লান লোইশিনহন্দুনা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা পুরক্নবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখিবা লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা থৱায় মিরেলগী ৱিমেন ৱিংগী নুপী লুচিংবী ১০না ঙসি নুমিদাংৱাইরম গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেগা উনদুনা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা ফৌগাকচাও ইখাইদা চৎপীদুনা মফম অদুদা ওইরিবা ফীভম য়েংশিনবীয়ু অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হায়রি/তৌরি হায়দুনা লৈবনা য়াররোই, নুপী লাল থোরক্লগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লক্লে হায়রি।

গভর্ণরগা উনরুরবা মতুংদা অকাম্পাৎতা লৈবা থৱায় মিরেলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱিমেন ৱিংগী কনভিনর থোকচোম সুজেতানা হায়, হৌজিক ফীভম অসি লৈঙাক্লা ওইরো, গভর্ণরনা ওইরো হায়রি, তৌরি হায়বসি নত্তনা মখোয়গী থবক উরক্ত্রে। ৱাফম অসি হায়দুনা লৈথোকপনা য়াররোই, নুপী লাল থোরক্লগনি। মরমদি ঈংলে-তপ্লে হায়না লৈঙাক্লা পংহায়দা হায়রগা ঙরাং করিগীদমক শবুংখোক খুনৌদা নোংমৈ কাপ্পকখিবনো হংখি। নোংমৈ কাপ্পকখিবা চীংথক্তদি থিদ্রগা নোংমৈ মরূ তাফমদা লৈবা মীদা ওনশিন্দুনা লোংউপ তান্দুনা লৈরে হায়খি।

ইমা ইবেলশিং ফূখ্রিবদু ঈং-তপ্পা লৈবগীরা। নোংমৈ কাপ্লক্লিবা চীংথক্তা কাখৎতুনা লোংউপ তানগদবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সকী থৌওংশিং অসিনা মমা ওইবীশিং হেন্না খোইশাওনহল্লে। লমহেনবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থবক্তগী লৌথোকপগী চৈরাক পীগদবনি। মহৈরোয়শিংদগী হৌরগা চথরক্লিবা ফূ চৈবগী থবক্তা এক্সন লৌদ্রবদি মীতৈ ফূরুপ তুল্লগনি হায়খি।

নেসনল হায়ৱেদা দ্রাইভরশিং ফূরকপনা পেত্রোল পম্পসু হাংদ্রে। অঙাং অনীগীদমক খূথাং চরা হেল্লবসু করিসু খন্দ্রে। তম্পাক্তা মী মঙা শুনা পুনবা য়াদ্রে হায়রিবসি দেমোক্রেসি চৎলিব্রা হংখি। প্রসিদেন্ট রুল থম্বদি য়ানীংদে হায়রগা লৈঙাক অসিদগী হেন্না শাথীবা লোশিং চৎনদুনা লৈরে। গভর্ণরগী মায়কৈদগীসু মহাক্লা ফৌগাকচাও ইখাইদা চৎপদা ৱিমেন ৱিংগী থৌমীশিংদসু পাউ পীরক্কনি হায়না খঙহল্লক্লে হায়খি।

পাৎশোইগী এম এল এনা ঙাঙখিবা ৱাদুবু এম এল এগী ৱাঙাঙলা হংলদুনা খন্থগদবনি হায়খি। মোদি অমসুং অমিট শাহনা বি জে পিগী এম এল এশিং ফাওবা মশক য়েংলক্ত্রগা মীচমদি করি ওইনা উরমগনি হংখি।



## গোলমৈ গাইফুলসিল্লু কবুই হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ ওইরগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস):** দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ ওইরম্বদা নত্তনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথাখ্রবা গোলমৈ গাইফুনশিল্লু কবুইবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখ্রে। এপোইন্টমেন্ট অসি ঙসি লো এন্দ জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা পীরকখিবনি। মহাক্লা চার্জ লৌবা নুমিৎতগী ফম অসি পুরগনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## HL Poll

Q : Kuki Militantsingna makha tana Meetei furupta onsinduna tamthiraba Lan chatharakkhibani haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : State amasung Union leingakna khamdabadagi Kuki Militantsing Lan makha chatharakpani haibada aranba wapham oigadra?

Yes 50% No 50%

## অস! লোইরেহে!

- পোৎ চৈ মমল আ য়ৌরে থবক পীবিদ্রে।



- আইস! অদুগা কাউইহে!

## হেলিকোপ্টরদা চৎখিবা পুলিসশিং মোরেদা কুকি নুপীশিংনা থৎলুরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস):**

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মখাদা মোরেদা পোষ্টিং লৈবা এদিসনেল এস পি (এল/ও) ওইনাম সুকুমারনা লুচিংবা পুলিস টিম অমা ঙসি নুংথিল হেলিকোপ্টরনা মোরে তম্না চৎখ্রবসু হেলিপেদতগী মোরে পি এস তম্না লাকপগী লম্বীদা কোন্দোং লাইরেম্বী মনাক্কী চিকিম ভিলেজদা মশীং য়াম্লবা কুকি নুপীশিংনা থৎতুনা থম্লুরে হায়রি।ওফিসর অসিনা লুচিংবা পুলিস টিম অদু মোরেগী এ আরগী কে এল পি কেম্পদা লৈবা হেলিপেদতা থুংখিবনি। অদুগা মোরে পি এস তম্না লাকপগী লম্বীদা মখোয়বু থৎতুনা থমখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা কন্দিসন খরদা য়ানবা পুরকপদগী পুলিস টিম অদু নুমিদাংৱাইরম মোরে পি এস তম্না চঙশিনখি হায়রি।

## লমজিংবী ইমা মেমচৌবীনা লৈখিদবদা আর পি এফনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ :** লমদম অসিদা মীওইবগী মায়োক্তা চথরিবা মীওৎ-মীনৈ, মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা, থোইদোক হেন্দোক্লা নুপী-অঙাংশিং অমসুং তোল্ল-তারবশিংগী মীওইবা অমা ওইবগী হক কন্নবগীদমক মতম শাংনা মশাদা চোকথবা হায়বদু মশক খঙদনা শোন্থহৌরবা ইরমদম অসিগীদমক লান্থেংনরম্বী মতম শাংনা মৈরা পায়বী ঈহৌগী লুচিংবী ওইবিরম্বী পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবীনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইমাগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচরি অমদি লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি, পব্লিসিটি রোবেন খুমনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইমা মেমচৌবীনা মণিপুরগী চিরবা তাঙ্কক কয়াদা থোকখিবা থৌদোক মচাদগী অচৌবা কয়াদা 'মসিদি ঐগী নাম্থোকপা য়াদ্রবা পুন্সিগী শিন্থানি' খন্না নাথৈবা লৈতনা শরুক য়ারকখি, মীরোই মনাও কয়াবু লমজিংবীখি। কুমজা ১৯৮০গী অঙনবা শরুক্তগী লমদমসিগী নীংতম ঈহৌ নমথবগী মীংদা অফস্পা-১৯৫৮বু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লান্মীগী অহেনবা মতিক-মঙম্না মরাল লৈজদবা মীচম কয়া শেমজিন শাজিনবা মরাল পীশিন্দুনা ৱায়েল চথদনা হাৎলক্লবা, মীওই কয়া ফাখ্রগা মশা থিবা খঙহনখিদ্রবা, নুপী ওইবী কয়া শরাক তম্লক্লবদা ইমা ওইবী নুপীশিংনা মরাল লৈতবা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা খূত্তা মৈরা পায়দুনা অহিং ...মখা লামায় ৭ কলম ১

# নুমিৎ ৪নিদা নোংমৈ ৩৬, মরূ ৩১৪, বোম ১৭ অমসুং মারুটি জীপসি ২ য়াওনা গাড়ী ৬ ফাগৎলে : কুলদিপ

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস) :** ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী কম্বাইন্দ টিম্না থা অসিগী ১০দগী হৌরক্লগা ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচীং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, কাংপোকপী অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা কোম্বিং ওপরেসনশিংদা পূন্না নোংমৈ ৩৬, মরূ ৩১৪, বোম ১৭, মারুটি জীপসি ২ য়াওনা গাড়ী ৬ ফাগৎলে হায়না সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৫ তারকপদা চীফ মিনিষ্টরগী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱাফমশিং অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ৪.৩০দা কম্বাইন্দ টিম্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লবসু মোইরাং পি এসনা কোল্লিবা খৌশাবুংদগী কন্ত্রি মেদ পোম্পি ২ ফাগৎখি। থা অসিগী ১১দনা অয়ূক পুং ৫দগী পুং ৭.৪৫ ফাওবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা খোইদুম পাৎ এরিয়াদা থি-হুন্বগী থবক চথবদা খাও অমদা হাপ্লগা থল্লম্বা কর্বাইন অনী, মেগজিন অমা অমসুং হেন্দ গ্রেনেদ অমা ফংখি হায়রি।

নুমিৎ অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা য়ু জি গ্রুপ অমগী নিঙোম্বম খেলেন (২৮) অপোকপা এন ইনাওবী, পুখাও খেৱা ফুরজু অৱাং লৈকায়, লৈকায়সিদগী লাইশ্রম বেদান এলিয়জ রাজো (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল দোলেন অমসুং ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দগী ইরোম দেবিদসন (২৬) অপোকপা আই দাজু ফাগৎখি। মখোয়দগী ৯ এম এম পিষ্টোল অমা, মরূ ৮ য়াওবা মেগজিন অমা, মোবাইল ফোন ৭, রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা মারুটি জীপসি অমা অমসুং আধার কার্দ অমগা লুপা ৫,৩৭০গা রিকোভর তৌই হায়খি।

ঙরাং অয়ূক পুং ৩.৩০দগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা চুড়াচান্দপুরগী গোথোল-ফাওলজাং এরিয়াদগী মেগজিনগা কোন্ননা এম পি ফাইভ ওটোমেটিক কর্বাইন অমা, মেগজিনগা কোন্নবা ৯ এম এম পিষ্টোল অমা, টিয়র গ্যাস গন অমা, রব্বর বুলেটকী মরূ ১, স্মোক গ্রেনেদ অহুম, টিয়র স্মোক সেল অনী, কন্ত্রি মেদ মোর্টার অমা, কন্ত্রি মেদ বোম অমা, কম্বেট দ্রেস অমা অমসুং পৌচ ১ ফাগৎলকখি।

ঙরাং নুংথিলদনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ও জয়না ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন মরম চাদে হায়রুবা এম এল এ করাম শ্যামগী ৱাফম হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

## ইলেক্সন পিটিসনগী ৱায়েল মখা চথরগনি



কে শ্যাম



ও জয়

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস) :**

মমাঙগী কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলগী রিজল্ট লাউথোরকপগা পন্থদনা মীহুৎ ওইরবা এম এল এ ৬০গী মনুংদগী ৩৬কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ইলেক্সন পিটিসনশিং ফাইল তৌনরকপগী মনুংদা য়াওখিবা ২০-লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ করাম শ্যাম অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা মীখল অদুদা লম্বা তৌনখিবা ও জয়না ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদু মরম চাদে হায়খিবা এম এল এগী ৱাফম হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ওকতা অফ্রিকান স্বাইন ফিবর নাবা থেংনরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস):**

মণিপুর লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরিনা ঙসি থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ওকশিংদা অফ্রিকান স্বাইন ফিবর (এ এস এফ) লায়না শন্দারক্লে হায়বগী রিপোর্ট কনফার্ম তৌরে হায়রি।রিপোর্ট অসি ইরোইশেম্বগী সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিদগী লেবোরেটরিদা সেম্পলশিং থাদুনা টেষ্ট তৌরুবদা খঙলকখিবনি। সেম্পলশিং অদুসু সী এ য়ু অসিগী পিগ ফার্মদা ওকশিং নারকপদগী থারুবনি হায়রি। মরম অসিনা মফম অসিদা ইপি সেন্টর ওইবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা এ এস এফদগী ঙাকথোকহৌনবা অমসুং কন্ত্রোল তৌনবগী থবকশিং খুদক্তগী লৌখৎলে হায়রি।

## ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিনখিবা নুমিৎ 'অমম্বা নুমিৎ' তা টোটেল শটডাউন লাউথোক্লে : অসুক

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ :** চহী লিশীং কয়া নীংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকপা মণিপুর অসি কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশ অম্পয়রগী মখা পোনখি। চহী ৫৭কী মতুং কুমজা ১৯৪৭তা বৃটিশনা থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা মণিপুর অমুক হন্না নীংখা তমখি। চহী অনী খরা হেন্না নীংখা তম্বা লৈবাক ওইনা লৈরক্লবা মতুং কুমজা ১৯৪৯দা ইন্দিয়ানা নম্ফু শীজিন্নদুনা মণিপুর খুদুম চন্দুনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইহনখি। মতম অদুদগী ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা চহী ৭৪ মীখা পোল্লবা লৈবাক অমা ওইনা হিংলি। ইন্দিয়ানা নল্লৌ লৌশিনখ্রবা নুমিৎ, ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ অসি মণিপুরগী 'অমম্বা নুমিৎ' হায়না মিঙ্গৌদুনা চহী কয়া লিশাং শিৎনা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। নুমিৎ অসি ঐখোয়না ইকায় ফিরুক খুমখিবা, লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী লোইলম ওইখিবা নুমিৎনি। মসিবু অমম্বা নুমিৎ কৌবসি হেন্দোক্লা মতিক চাই হায়না এলাইএন্দ ফো সোসলিষ্ট য়ুনিটি, কংলৈপাক (অসুক) কী কনভিনর (পব্লিসিটি কম্মিটি) এস মঙালগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তানা হায়, নুমিৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা ঐখোয় নোংমা নোংমগী ফীভম কায়থরকপগী খোঙচৎ অমদা কুমথরক্লি। অহানবদা ঐখোয়গী মপান্থোংগী হকচাং অসিতমক লোই চল্লম্মী। ঙসিদি কোক (মাইন্দ) লোই চনখ্রে, ৱাখল্লোন, ৱাঙুলোন (ফিলোসোফি) সু লোই চনখ্রে। লীচৎ কায়থখ্রে, অচুম অরানগী পাদম (মোরেল ভেল্যুস) সু মহাম তাখ্রে। খুন্নাইগী উচল হায়নীংঙাই লৈতনা কোমথখ্রে, খুন্নাইগী থকসি লৈখা তাখ্রে। ...মখা লামায় ৭ কলম ১

## মীতৈ দ্রাইভরশিংদা অকি-অখং পীরকপা কুকিশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগদবনি : মহৈরোয় লূপশিং

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস):**

তোঙান তোঙানবা মহৈরোয় লূপ মরিগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি/কাউন্সিলশিংগী থৌপুবশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না চৎখিবা এপেক্স কম্পেনিদা য়াওবা মীতৈ দ্রাইভরশিংদা কুকিশিংনা অতম্নমা ঙাইহাক লৈতনা অকি-অখং পীবদা নত্তনা অয়েৎ অপন থোকহনবগী থৌওং অসি মহৈরোয় লূপশিং অসিন হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌই হায়রি।

মরম অসিনা মীতৈ দ্রাইভরশিংবু অকি-অখং পীবদা চেন্নবা কুকিশিংগী মথক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লোগী মতুংইন্না চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

# সিক্যুরিটি ফোর্স লৈনা লৈনা কলাপহারদা লৈহৌবা ঐগী দুকান কুকিশিংনা ফমজিনখ্রে-১

## হকথেংনবা পাউদম

### কলাপহারগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচএনএস) :**

মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন থুম ঙাক শেনবীনবা মণিপুর লৈঙাক অমদি লৈঙাকসিগী পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং লৈনা লৈনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কলাপহারদা লৈবা মীতৈগী য়ুম অমদি দুকানশিং কুকিশিংনা নম্ফুদা লৌশিল্লগা মখোয়গী ওইশিনখিবদা ইশাগী গ্রোসরি দুকান ফাওবা য়াওখ্রে হায়না কলাপহারদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোঙনাংখোঙগী রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লিবা খুম্বোংময়ূম নবচন্দ্র (৫০) না থম্মোয় শোক্লা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা হায়, মে ৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তা তাইনবা ঙমদ্রগা মীতৈদা অতম্না ওনশিন্দুনা লান্দারক্লিবা অসি হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাকসিনা থা ৫ হেল্লক্লবা ফাওবদা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরক্লিবা অসি মীয়ামগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

ঐহাক কলাপহারদা ইশাগী মীংদা দাগ চিথা পায়জদুনা য়ূম-ইঙ্খোল অমসুং লৌফমশিং লৈজবগা লোয়ননা নেসনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী পরিংগী মপান্দা গ্রোসরি দুকান ফমদুনা লৈজরকখিবনি। ঐগী দুকান অসি ঐগী লোয়নবীনা অয়াম্বা মতমদা ফম্মী অদুগা ঐনা প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইরুরগা হল্লক্লবা মতুংদসু মহাক্কী মতেং পাংই। ঐগী ইচানুপা ১, ইচানুপী ১ লৈরে। কুকিশিংনা মে ৩দা খঙহৌদনা হৌরকখিবা লান ওইরবসু মখোয়দি হান্নদগী প্লান তৌরকখিবনা নুমিৎতুমক্তদা খূৎলায় পায়বা কুকি ১০০ রোম লাক্লগা কলাপহারদা লৈবা ঐগী য়ুম হান্না মৈ থাখিবনি।

কলাপহারদা পূন্না ঐগী য়াওরগা মীতৈগী য়ুম ২৫ রোম লৈবনি। অদুগা অপূনবা মীতৈশিংগী মশীংনা ৮৪ রোম ওইগনি। মফম অদুদা মীতৈশিং চহী কয়াগী মমাঙদগী মখোয়গী অহল লমনশিংগী হাক্তগী খুন্দাদুনা লৈরকখিবনি। ঈরাং হৌরকপা নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা দুকান থোঙ লোনশিল্লগা



য়ুমদা চঙলকখিবনি। অদুবু কুকিশিংনা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা মখোয়গী মরোলদা 'মীতৈগী য়ুমদা এটেক চথরো' হায়না লাউ খোঙবা তারকখি। ৱাফম অসিমক লাউদ স্পিকরদা লাউরকপদগী মফম অদুদা লৈরম্বা মীতৈশিং লাঞ্জেন্নবা হৌখি। ঐদি নুমিদাংগী পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা ঐগা থংননা লৈবা থাঙ্গাল নাগাগী খুল অমদা চেনশিন্দুনা চঙজফম লৌখি। নোংঙাল্লগা ঐখোয় কাংপোকপীগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং পুলিসকী এস পিদা পাউ পীরবা মতুংদা পুলিসনা অসাম রাইফলসকা লোয়ননা লাক্লগা ঐখোয়বু লৌথোকপীরখিবনি। অসাম রাইফলসনা ঐখোয়বু মে ৪গী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লাইরৌদা লৈবা মখোয়গী কেম্প তান্না পুবীখি। মফম অদুদা কাংপোকপী য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা মীতৈ ৩৪৭ লৈরমখি।

অসাম রাইফলসকী কেম্প অদুদা নুমিৎ খরনি লৈরম্লগা মে ৭কী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ঐখোয়বু লাইরৌদগী ইম্ফাল তম্না পুরকখি অদুগা মে ৮গী নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তারকপদা সেকমাইদা থুংখিবনি। সেকমাইগী রিলিফ কেম্পদা জুন ২৭ ফাওবা লৈরল্লগা লম্বোইখোংনাংখোঙগী রিলিফ কেম্প অসিদা মখা তানা লৈরকখিবনি।

মহাক্লা হায়, কলাপহারদা লৈহৌবা ঐগী পোৎ চৈশিং অদু পূন্না লুপা লাখ ৭০ রোমগী ওইগনি। মদুগী মনুংদা শেল ওইনা লুপা লাখ ২.৫, সনা টোলা ৪ অমদি ফৌশিং য়াওরি। অদুবু ঐগী য়ূম অদু কুকিশিংনা মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদা শম্বল খাজিন্দুনা থমখ্রে হায়বা তারে। অদুবু ঐনা খ্বাইদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবদি লম্বী মপালদা ফমজবা ঐগী দুকান অদু সেমি পক্কাগী মথক মখা শাবা দুকান প্লোটনি। দুকান অদু কুকিশিংনা চঙশিল্লগা হৌজিক ফমদুনা লৈরে হায়বসিনি। লৈরিবা লৈঙাক, পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা করিমত্তা অথিংবা পীদনা ঐগী দুকান অদুবু কুকিশিংনা মতৌ করম্না ফমহল্লিবনো হায়নসু হংখি।

ইম্ফালদা লৈবা কুকিগী য়ুমশিংদি সিক্যুরিটি ফোর্সনশিংনা চেকশিন্না ঙাক্তুনা মী চঙহন্দনা থম্মী। অদুগা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ুমশিংনা করিগীদমক ঙাকপী শেনবীদবনো হংখি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫